# মণিপুর খুন্নাইগী ঈরাৎ থৌনিদা শারম চান্মা, ঙারম চান্মা কৎপা

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

*অমাই হঞ্জবনা মপু মোইরাং নিংথৌদা-''কেগে ঙাঙোই মপুরেল! নবুধৌ থাংজিং কোরেন লাই, মোইরাং লাংবুম অরিবা পালোই তাবা লাইনিংথৌ, শিদবগী চীংঙু লাইপাউখোলদি শারম চান্মা, ঙারম চান্মা, লৈরম চান্মা, হৈরম চান্মা, চান্মা-চান্মনা খুজিং ওইনা কত্তুনা কংলা উত্রা শঙলাংমৈদা শাহোং ঙাহোঙলবদি কেগে চাহোঙ ঙাহোঙহনগে, মোইরাং খুঞ্জাও লৈচাওহনগে, লৈবাক নিংথৌ মরা তপ্পা পালহনগে। ঙসিদগী লোইদাম থাবুম লান্দনা চীংঙু শিন্থা পাঙথোকউ'' হায়বা চীংঙু শিন্থাবু লৈবাক নিংথৌদা শিন্নরে (সরাংথেম বরমনি, মোইরাং শাইওন)*

মমাঙঙৈ মতমদা ঐখোয়গী ঈরাৎ থৌনিগা মরী লৈননা শারম চান্মা, ঙারম চান্মা ফাবা অমদি লাইদা কৎপগী শোয়ফদ্রবা থৌরম্লি তাক্লিবা মতাং অমনি। মোইরাং শাইওনগী ৱারীদগী লৌখৎচবনি। কদেং থাংজহনবা-তোনু লাইজিংলেম্বী অনীগী নুংশি নুংওল্লবা ৱারীগী মতাং অমনি। লাইনিংথৌ থাংজিং হরাউবা মতম্লি। কেগে কংলাদা মপু মোইরাং পুরিৎলাই লাইজিংখু পুনশিবা, অঙম-অথৌ ফম্নাইবশিং তিন্দুনা চকপা শলাং মাইবীনা লাইমাঙ ফম্বদা ফাওখিবা শারম-ঙারম্মচিংবা চান্মা-চান্মনা খুজিং ওইদুনা কৎপগী লাইফাওবু লৈবাক্কী অমাইবা হঞ্জবনা লৈবাক নিংথৌদা পাউদমখি। কায়ফদ্রবা থৌদানি, লাইনিংথৌগী লাইবাউনি। মদুগীসু মথক্তা লৈবাক মরা তপ্পা ঈংনা-চিক্লা চাকহোঙ-ঙাহোঙনা পান্ননবনি। শা মখল কয়াগী মশাইকোন ওইরম্বা তোর্বুং লমজাউদগী শা মখল চান্মা ফারুদবা য়াদবা মতাং লাকখি। মোইরাং অমদি অকোয়বদা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংবু নাওয়োক-নাওকোনবীরিবী, ঙা মখল কয়াগী তূঙনফম ওইবী লোক্তাক ইশা মাপন্দগী ঙারম চান্মা ফারুবগী মথৌ তারকখি। অঙম-অথৌ কনামত্তনা শারম চান্মা, ঙারম চান্মা ফারুগে হায়না থৌনা ফনা চোংথোরকখিদে। মতম অদুদা মোইরাং অথৌবা কদেং থাংজহনবনা মথ্বায় মাঙলবসু অদু মঙায়রে ফাবা ঙম্লবদি চীংঙু মফমদা কৎপা ঙম্বরা লাইবক চাং য়েংলগে হায়না চোংথোরকখি। শারম চান্মা শরেন চনবগী থৌরম্বু অদুক্কী মতিক লুনা লৌনরম্মী হায়বগী মতাংনি - *মপু সনা উলগোইনুংদা চিংনবা মায়থোঙ উবদা ''করিগুম্বা য়ারৌ শারম চান্মা ফারগা চীংঙু খুয়াদা কৎপা ঙমদ্রবদি লৈবাক নিংথৌগীদমক্তনি, অৱাৎপা য়ারৌ শাহুৎ শিন্দুনা কদেং ঐবুসু শারেল চনবীয়ু শারিশো ইবুধৌ থাংজিংনা পলেপ্পবীসনু'' হায়না মপু সনা মাঙদা কদেং শরি পন্দোল লোল্লক্লে।*

কদেং থাংজহনবগী মথৌনা অমদি লৈবাক্কীদমক কথোকপা ঙম্বা পুকচেল অদু উবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা পেনবীরদুনা কব্রং মুগানা শাবা নিংথৌ ফিবু কদেংগী নমদা কূপ্পীবগা লোয়ননা শারুংহনবা ফম হাপখি। অসুম্না অঙম-অথৌগী ফিজোল শেৎপা অমদি কংলা কাবদা দোলাই তোংবা, কূম্বদা লাঙ্গৈই শগোল তোংবগী অয়াবা পীখি। মদুগী মতুং তারকপদা কদাং শেলুংবসু লোক্তাক ইশা মাপন পাৎনৈরগা ঙারম চান্মা ফারুগে হায়না চোংথোরকপদা ঙারুংহনবা ফম হাপ্তুনা নিংথৌনা শিবা লিকথাং পরেং পীখিবগা লোয়ননা কদেং থাংজহনবগা চপ মান্ননা অঙম-অথৌ অমনা ফংগদবা হক অদু ফংহনখি। মতৌ অসুম্না কদেং থাংজহনবনা লুচিংলগা খুন্থক মচা অকন-অথৌশিংবু লমজিংদুনা মখূৎ চাবা থাঙ-তা খূৎলায় পায়দুনা তাউবা হূইজাউ তরা য়াওনা হূই ময়ামগা লোয়ননা তোর্বুং লমজাউদা শারম খোঙ্গুল লীবা চৎখি। অসুম্না নুমিৎ কয়ানি চূপ্না লাম্মৈ থারগা শা তানবদা শারম চান্মা মশীং শুনা ফাবা ঙমখি। নাকল অমরোমদা কদাং সেলুংবনা ঙারম চান্মা ফাদুনা পুরকখি। মতৌ অসুম্না লৈবাক নিংথৌ, ফমদৌ হুম্ফুমরিনচিংবা অঙম-অথৌ শুনা তিন্দুনা লৈবাক মীয়াম হুপ্না চীংঙু থাংজিং মখুয়াদা কৎনবগীদমক শারম চান্মা, ঙারম চান্মা পৈদুনা থল্লে। নিংঙোল্লাকপনা হেক্লকপা লৈরম চান্মা লাতোন অমদা থল্লম্মী। পাখংলাকপনা হেক্লকপা হৈরম চান্মসু খরাইথক্তা থেন্দুনা থমখি। মতৌ অসুম্না কেগে মোইরাং লৈবাক চাকহোঙ ঙাহোঙনা নুংঙাই য়াইফনা পান্নবগীদমক চীংঙু থাংজিং অমসুং কোয়রেন লৈমা লাইরেম্বীগী মফমদা থৌনিজবদা শারম-ঙারম-হৈরম-লৈরম চান্মা-চান্মনা খুজিং ওইদুনা কৎখি। খন্বা-থোইবীগী ৱারীদসু ঈরাৎ থৌনিগীদমক চীংখুবা, খন্বা, নোংবান্নচিংবা অকন-অথৌ ময়াম তোর্বুংদা শা তানবা চৎখি।

কংলৈদা অঙনবা মতমদা পানখিবা মৈদিংঙু তাউথিংমাং অমদি ময়াম্বুং য়োইমোংবা অনীনা তুরেল তেংবগী থবক লোইখ্রবা মতুংদা য়ূমজাও শাবগী থবকসু লোইশিনখি। মতুং তারকপদা চীংঙু লাইদা ওক লাবা কৎননবগীদমক শা তানবা চৎলম্মী। শা তানবগী খোঙচৎ অদুদা ময়াম্বুং য়োইমোংবদি চীংঙু শিদবগী মনাক য়ৌখি। মতম অদুদা চীংঙু শিদবনা অসুম্না হায়রকখি - ''লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবও! নঙনা তান্নরক্লিবা শা অসিদি ঐগী ইনাক্তা চেনশিল্লক্তুনা লৈরে। নখূত্তা পায়রিবা তিমেন তা অদু থাদোকউ, ঐনা নঙোন্দা শারম চান্মা পীবিরগে।'' চীংঙু শিদবগী মপাউখোন তাবদা য়োইমোংবনা মখূত্তা পায়রম্বা তা অদু থাদোক্লম্মী। চীংঙু শিদবনা শারম চান্মা পীবিদুনা থৌজানবীরকখি। মতৌ অসুম্না শাবা লোইরগা পাঙথোকপা ঈরাৎ থৌনিগী থবক থৌরম অদু ঙাংঙোই য়োইমোংবনা পুরকপা শা অদু কত্তুনা লোইশিনখি। শৌরোল য়াইরেন চনুদা শৈথারিবা ৱারীদা মপু থিবা নিংথৌগা লোয়ননা অকন-অথৌ ময়াম্না শা তানবা চৎপদা শা চাত্রেৎ ফাখি। খৃষ্ট কুমগী তরাশুবা চহীচাদা পানখিবা মৈদিংঙু নিংথৌ চেংনা লাঙ্গোল চীংদা শা তানবদা শা ময়াম ফাদুনা শা পৈফম মফম তরুক শেমদুনা পৈবা মতাংদগী হাওকৈ শায়াম ফাবা হায়না মিঙ্গৌখি হায়না নিংথৌরোল লম্বুবদা শৈথারি।

মতৌ অসুম্না খুন্নাই অসিগী পূন্সিরোল অমদি থবক থৌরমশিংদা লমদম অসিদা ফংবা শা-ঙাশিংনা অচৌবা মফম কন্দুনা লৈরম্মী হায়বসি থন্বীরল্লিবা ৱারী ৱাখোঙশিং অসিনা খুদম ওইদুনা লৈরি। অমরোমদা, থায়না মমাঙঙৈদা লমদম অসিদা উমং ৱামংশিংদা য়ামদ্রবদা শা-ঙা, হৈরাং-লৈরাং মখল চান্মা-চান্মদগী তাদনা ফংলম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ। ঙসিদি মীওইবা ওইরবসু অশেংবা মীনি হায়নীংদবা ময়াম অমা থোরকপনরা খঙদে, শা মখল কয়া লৈরম্মী হায়বদা থাজৈ হায়নীংদবগী ফীভমদা লাক্লে। ঙাগী মতাংদদি ফনা য়াম্না উখিদ্রে হায়বা য়াই। মতম অমগী লুহোংবা নুপী থিল্লকপদা নৌনা য়ূম্বান লম্বীদা খোঙদাগদৌরিবা অনীবু ঙানপ থোংবা পীজবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরম্মী। ঙা মখল অসি ময়েং তাথরকপা মতমদা ঙা অতোপ্পা থোংবদা খজিক্তং ওইরবসু হাপ্পরম্মী। ঙসিদি নীংশিং মমি ফাওবা শামখ্রে। পাৎকী ঙাখা মৈঙাংবী হায়বদুবু কদাইদা লৈখ্রবজাৎনো? হৌজিক্কানসিদা শারম চান্মা, ঙারম চান্মা পুরক্রবদি হাৎলনি হায়রদি মীহাৎপুঙ ওন্দৌবা মাল্লি। মসিনা ওইবসু য়াই ঙারম তরেৎ, হৈরম তরেৎ, লৈরম তরেৎ হায়না মশীং খংহন হন্থখিবসি। ●

# লাইরিক তম্বা শোয়রবদি কমদৌবা

**- নবকুমার ওইনা -**

মহৈ তম্নরিবসি লৌশিং মপূং ফাদ্রি হায়বগী তম্লবা ওইরিগনি। লমদমসিদদি হৈরবা-খঙলবা ঙাক্তনা মহৈরোয় ওইবগী মওংবু মাল্লক্লি। মহৈরোয় লূপয়ামসিগা হায়রবদি ফনা ফজনা ঈংনবু লৈবা য়ারবনি, মদুমক্তি ঙসি ফাওবদি ওইদ্রি। মদুগী মরম করিনা ওইগনি খনবদদি লৈখাই তাবা ঙম্নদ্রি হায়গনি। ঙকপবু য়ারিবনি।

খঙববুদি ফনা য়াম্না খঙনরবা ওইগনি, লোইনমক খঙবা ঙম্নদে হায়বদুগী ৱাতনি, নেচরেলনি। ক্লাস য়াম্ল-য়াম্লগা খঙবা হেনবদি মশানা তাবনি। বি এ, এম এ পাস তৌরবশিংদি ফজনা খঙলবশিংনি হায়বা য়ারবনি, মমালোলগী মমিংদি করি কৌই খঙনরব্রা? স্কুলদবু মমালোন ঙাঙনব্রা, ঙাঙনবনা অমা মমিংনা অমা। মমালোল ফাওবা মমিং খঙদবা ওইরবদি খুন্নাই অমদা য়াওরিবনি হায়বা য়াগদৌরিব্রা? থাজরক্তে, লোলগী মমিংদা ফাওবা থাজদবা য়াওরবনি।

মহৈরোয়সু মখল য়াম্মী; পঙতমদা তম্বা, হৈতবা য়াদে হায়না কুপথনা তম্বা, তমদবা য়াদে মহৈরোয় ওইদবা য়াদে হায়না মমিংদি চনবা, মমা-মপানা নমদুনা তমহনবা, পাসতং তৌরগা সর্টিফিকেট লৌবা য়ানবা তম্বা, য়ূম পানবা খঙনবা তম্বা, অতৈ কয়া অমসু লৈরম্বা য়ারি। পাসপু তৌরবদি থবক থিনরিবনি, তশেংবদি তম্বদা থবক্তু য়াওরক্লদৌবনি। লৈখোম তৈনিংদবদুনা লৌউবা তল্লিবা ওইরদি ওফিসর ওইরকপা তাবনি। অয়াম্বনা তোলোপকী খল্লগা তম্বা মাল্লি। থবক লৈবা ঙমহৌদ্রগা কাঙ্খথাঙ ওইনহৌবগী ৱারীনা ৱায় চায়রি।

লৈঙাকসিনদি নহাশিংদা মহৈ-মশিং নিংথিনা তম্বীদ্রি হায়ববু য়ারি। নোংমা/নীনিগী ত্রেনিংদি নুমিৎ খুদিংগীবু পীবা পাউ ওইনদি তারি, পোথোক পুথোকপগী চাংদি ৱাৎলিবা মাল্লি, ইউবু উদে। উবা অমদি লৈ, স্কুল কোলেজদা ভোটকক্কা লেপ্পলগা লৈঙাক য়াওবা ঙমদুনা এম এল এ ওইবা য়াওরবনি। এম এল এসি স্কুলগী প্রদক্তনি। কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি তম্লুদ্রবসু অদুম য়ারবনি। ওইবা য়াওরবনি। মসিমদি থাগৎনীংঙাইনি, য়াম্না ফবা খোঙচৎ অমনি। ঙসিদি লৈবাক খুন্নাই অমা মাঙথরকপদা মখোয়সু য়াওই হায়রক্লদৌরিবনি। নহাশিং অসি তুংগী য়ূম্বীনি হায়নবা লৈ, লাল্লিবনি। ঙসিসু খুন্নাইগী য়ূম্বী অদুম ওইরিবনি। অহল শাবা খরনা মখোয়দা য়েৎলক্তনবা হায়জিনবদগী হায়নখিবা ওইগদৌরিবনি। চহী ৪০ ফাওবা মহৈরোয় ওইবসু য়াওরি হায়বসি খঙহৌদবগী ওইবসু য়াই। লৈঙাক য়াওগনি হায়না থোক্লক্লিবশিংসি লৈবাক্কী ৱাখলদদি কয়া মায় ওনশিন্দবসু য়াওবজাৎনি। শেল চাবা, শেন্দোংগী খল্লগা থবক তৌবা, শেল পীজরগা থবক লৈবা হায়বসি মহৈ তম্বদা অশোয়বা য়াওরকপগী ওইগদৌরিবনি। মচাদা গধা হায়নদি চৈবা, অহিংদা হৌগৎলগা ট্যুশনগীদমক মচাশিংবু কোয়থিন-থিল্লিবা মমা-মপাশিংদি থাগত্তবা য়ারোই। ওইদ ওইবা ঙম্লক্তগা শেলনা থবক লৈগনি হায়রকপদদি লৈবাকসি কাং-খোং চাইরক্লিবা অসিনি। থবকসি য়ুবী লাকপীগী য়ুবীদু ওইরক্লিবনি। লৈঙাক অসিমক মুন্নরিবা য়ুবীদু ওইরে, মীনা ঙাঙবা তাবা ঙমদবমখৈ থাঙ্গৎ-থাঙ্গৎতুনা মহী থক্তোক্তুনা লৈবা মাল্লক্লবনি। মীয়ামসি কমদৌরি য়েংবা নত্তে, উবা নত্তে, পংঙাঙদা ঙাঙদুনা লৈবা মাল্লবনি। লৈঙাকপশিংসু পার্টি খায়দোক্লরগা য়েন কাওনবগী শেল থানবা য়েন শিনীংলগা শিজসনু শেলদি মাঙবা য়াদে হায়বরোমদা লাক্লবা ওইগনি।

মহৈরোয় লূপশিংসু কাঙলূপকী ওইনা খায়দোক্লরক্লি। ইকায়বা খঙনরক্ত্রিবসি মসিৱাইদনি, ইকায়বা খঙদবগী ইকায়দবা হায়বা তারে। মসি মমা-মপা ওইবশিংনা থোকহল্লিবনি। মপাগী মচা, উগী মহৈ হায়বদুনি। লৈঙাক্লা থোকহনবনি হায়রসু লৈঙাক্তু মমা-মপা ওইবশিংনা শেল্লিবনি। পঙলদি মচাশিংগী য়েক্লবা ওইরক্লবনি। অদুদগীনি মহৈরোয় লূপয়াম অমা থোক্লক্লিবসি। মানবদি লাইরিক থৱায় য়াওবগী মানবা, মহৈরোয় ময়াম কনবনি হায়বনি। লৈঙাক্কদি খৎনবগী মাল্লকপদুনি। লৈঙাক্লা ফৱগা মহৈরোয়না ফৎত্রসু খৎনবদি অদুম খৎনগনি। লূপ ময়াম শেল্লে হায়রগা লৈঙাক্লা ফগৎলগনি হায়বদি থাজদ্রি। লূপশিংগী মরক্তা ৱাখল মান্নদবগী ৱাথোকপু লৈরিবনি। কাঙলূপ অদুদি ফগত্তনা মহৈরোয় খরদুতং ফগৎপা য়াবা হৌনদে খল্লি। মহৈরোয়না নোংমৈ পায়খৎলকপা মাল্লকইবসি লৈবাক অমা লৈখা তারকপগী ৱাথোক লৈরে হায়রিবনি, কন্নবা থোক্লকপা ওইগদৌরিবনি। অদুদা লাইরিক পাদবা মহৈরোয় ওইরবদি থাজবা ৱাৎনগনি খল্লি। স্কুলগী লাইরিক নত্তবা মালেমসিগী ওইনা পাবা তাবনি। মদু ঙমদ্রগনা শোয়বা হায়রিসিনি, য়ুনিভর্সিটি য়ৌরগনা য়ুনিভর্সসিগী খঙনবা হোৎনবা তাবা। ঙম্নদবা অদুনবু ফুটবোল শান্নবগী গোল চল্লমদাইদা কেরি তৌনবা মানবদগী করিয়র গাইদেন্স অমা লৈরম্বা য়ারিবনি। তম্বদা শোয়বা নত্তবা তম্বীবদা শোয়বসু য়াওবা য়ারিবনি।

খরা লৈরগদি লাইগী মমিংদা মহৈরোয়গী লূপ শেমগৎনরকপা য়ারিবনি। কৃষ্ণ-ছাত্র-লূপ, রাম-ছাত্র-লূপ, যিশু-ছাত্র-লূপ, আলা-ছাত্র-লূপ, বুদ্ধ-ছাত্র-লূপ, ফন্দুম ফজরক্কদৌরি। খৃষ্টিয়ান ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেশন, ইস্লামিক ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেশন হায়বশিংদি লৈরবা মাল্লি। মহৈরোয়শিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা পাম্বা মী য়াওরব্রা চিংনবসু লৈরিবনি। মশানা খঙনা তৌদবা য়াদ্রে খনবসু মাল্লি। মরক অসিদা মহৈরোয়শিংবু লল্লোনপোৎ ওইনা উবা স্কুল কয়া য়াওবগী ৱা লৈরিবনি। তম্বা য়াবা তম্লগা ময়ূমদা লৈবা ফংদবা কয়া অমসু লৈরি। মপান্দা থবক তৌরগা শেল য়াম্না ফংলগা ফরে খনবসু লৈরে। খঙ-হৈরবা সাইন্টিষ্ট ওইরবা কয়া অমনসু মিংচৎ পুরকপা য়াওরি। তম্বগীদি লোইবা নায়বা নত্তে, তম্নীংলিবদু করিনো খঙবসু অরায়বা অমদি ওইদ্রিবনি। খঙনবা তম্বদি অফবা নত্তে।

গভর্ণমেন্টকী স্কুল, কোলেজ মশীংদগীদি প্রাইভেটকী মশীংনা হেনগৎলক্লি। অশোয়বা অমা য়াওবগী ওইগদৌরিবনি, শেমদোকপা ঙমদবা অসিনা হেন্না শোয়রিবনি। প্রাইভেটকী য়াওদ্রবদি মীপূম খুদিং মহৈ তম্নরক্লবা মতমসিদা কোন্নবা ঙম্বা নত্তে। রিকগনিশন পীবদগী হেন্না গ্রান্ট ইন এইদ পীবসু ঙমদ্রি। লৈবাক কয়াদনা ফ্রী এদ্যুকেশন হায়বা লৈখ্রবনি। লাইরিক তমহৌদবা মী মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লবদি ৱাথোক্তি শোয়দ্রে খঙলদৌবনি। মালেমসিগী মচি খুদিংদা মহৈরোয় খুদিং মান্নবসু নৎত্রি। ফূবা-চৈবা য়াদেদু চৎনখিবদগী নোংমৈ পায়বা য়ামখৎলকপনা করি থোক্লেদো।

থবক খুদিং রিসর্চ অমা চংই, হন্টিং অমসু চংই হায়বনি। অরিবা ৱাহৈ খরা খোল্লগা রিশাইটেশন মানবদুনদি কান্নবা ৱাৎকনি। রিসর্চ তৌবা মশীং হেনগৎহল্লকপা খুন্নাই অমা চনীং তানা লৈবা য়ারগদ্রা? থাজদে, দিরেক্সন শোয়রবদি লানবুং ওইবসু য়ারিবনিনা লাকশিনবা অমা তঙাইফন্দনা চঙই। লৈবাক মচা তাবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা নহাশিংবু মহৈ তমহনবা শোবা য়াদবা থৌরাংনি। শোয়বা হৌরবদি মরী-মরী শোয়থরক্কনি হায়বগী চেকশিনবা চঙই। ঙমজদ্রগা মুৎচখিবা মশানা তাবনি। ঙম্বা-ঙমদবা নহাশিংদা লৈরে।

লৈবাক মচা তাবা হায়বসিদা লৈবাক নীংবা অমশুং লাই নীংবা হায়বা অসিগা মরী লৈনদে হায়রিবনি। ইশাসি লৈখাই তাবা ঙম্নগদৌবনি, মিৎখুন খুদিং লৌশিংদু মাঙলোইদবনি হায়রিবনি। হায়বদি মফম খুদিংদা মতম খুদিংদা করি তৌগদগে হায়বা খঙগদৌবনি। মদু ঙম্নবা লাইরিক তমদবা য়াদে সিনি। তম্বদু শোয়রবদি কমদৌবা তারি, লৈখাই তাবা ঙমগদৌরিব্রা? শোয়রবদি মিৎকুপ খুদিং থংনা-থংননা শোয়জিল্লকপা উনরিবসিনি। মখা তাখিদৌরি।

লোলসি অমুক লুশিল্লক্লি, মহৈ-মশিং তম্বদুসু লাইরিক তম্বা কৌখ্রব্রা? লাইশু হায়বা অমসু ৱাৎলি। মহৈ-মশিং তম্বদা লাইশু খঙউ হায়বদু ওইগনি খল্লি। লাইদু খক্তা নীংলগা লোইনমক হৈরনি হায়বসু লৈতে। পঙনীং নীংবা-পঙতম তম্বনা অমুক কমদৌবা তারিবা? য়ারগদ্রা? ●

# ''মালেমগী লৈঙাক্লোনগী মরু ওইবা লিক্লম পারমদা ঐখোয়না উবা শক্তম অমসুং ঐখোয়গী খোঙথাং'' - (১)

**- ময়েংবম বিনোদ মৈতৈ -**

লান পামদবা লুচিংবা অমত্তা মালেমদা লৈতে অদুননি মালেমগী লৈবাকশিংনা লানগী থৌরাংতা তৌদুনা লৈরিবা। মসি হায় হায়দুনা লমদমসিগী নহাশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা লান হৌসি হায়দুনা ইনশিনবদি নত্তে। মালেমগী অচুম্বা ফীভমসু তাকপনি। করি মরমগী লান তৌনীংলিবনো? মালেম অসিদা লৈরিবা লৈবাক ফূরুপ খুদিংমক্লা মাগী-মাগী খূবাক মনুংদা মালেম অসি থম্বা পাম্মী অমসুং নুংঙাই য়াইফনা য়াইতোং খমতোংনা হাইনা হুম্না পানবা পাম্মী মসিগীদমক্তা লান হায়বসি মথৌ তাই। অসিগুম্বা ৱাখল অসি লাই হাক্তক্তগী খন্নরক্লবা চৎনরক্লবা অমনি, ৱাখলসিমক্কনি মালেম অসিদা লান অদুম থোক্তুনা লৈরিবা। মসিগী মনুংদনি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা লাঞ্জাও অনী - অহানবা মালেমগী লাঞ্জাও অমসুং অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও থোকখিবা। মরম অদুনা ঐখোয়গী লৈঙাকপা লুচিংবশিংনা লান হায়বসি নেচরেল লো ওইনা খনগদবনি-উগদবনি। মরমদি লান কনানসু থোকহনবা ঙমদে। মতম পূম্বগী ওইনসু মথৌ তাবা লান পূম্নমক (মায়োক্লনবা) মায়ওং য়ানবা শেম শাদুনা লৈগদবনি। মসি ইপা-ইপুশিংগী লিক্লমনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিবু য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা লৈবা মরম্ননি ঙসিগী মালেম অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা (য়ু এস এ) না লানঙম ফিরাল পায়দুনা লৈরিবা।

মতাং অসিৱাইদা ঐখোয় মীতৈশিংনা নীংশিংবা য়াবা ৱাফম অমদি ঐখোয় মতম শাংনা লানগী ৱাখল থাদোক্লুরে হায়বসিনি। মালেমগী ফূরুপ পূম্নমক ৱারিয়র স্পিরিটতি য়োক্তুনা থম্লে। লান হায়বসি তৌরক্কনু য়াদবা, থিংবসু ঙমদবা মীওইবনা হিংবদা চঙবা পোৎশক অমা ওইনা মীওইবা সভ্যতাগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা য়াম্না তমথীবা লীচৎ, থৌওং অমা ওইনা ঙসি ফাওবদা লাক্লি, লাকখিগনি। মসিগী মনুং চন্ননি ঙসি ঐখোয়না ম্যান্মার (বর্ম্মা) হায়না খঙনরিবা য়ূমথংনবা লৈবাক ঐখোয়না মতম অমদা অৱা হায়না খঙনখিবা লৈবাক অসিনা ঐখোয় মীতৈ লৈবাক্তা কয়ারক হন্না লান তারকখি। লান তারক্কনু হায়বা য়াখিবরা য়াখিদে। মতমদুদা ঐখোয় অৱাগী লানদু মায়োক য়াদনা নাথৈরগা ঈংনা-চিক্লা লৈবাক মরা-তপ্পা পানবা য়াবগী ফীভম লৈতবনা ঐখোয়সু লম্মন খুম্বা অমসুং য়ূমথংনবা লৈবাকশিংগী মমাংদা ঐখোয়দা লান্দারকপা কিনবা লান তারক্লিংদনবা পাঙ্গল শক্তি উৎথোকপগী মথৌ তাবা মরম্না অৱা লৈবাক্তা কয়ারক হন্না লান্দাখি। ঐখোয়সু অৱানা লান তারক্তুনা চহী তরেৎ খুন্তাকখি। মদুগী মতুং ইনিংথৌ গম্ভিরসিংহ মহারাজ অমসুং হেরাচন্দ্রনচিংবা মরৈবাক্কীদমক খনবা অথৌবশিংনা অৱাগী লান্মীশিং অদুবু মায়থীবা পীদুনা হৌজিক্কী ম্যান্মার (বর্ম্মা) লৈবাক ওইরিবা মতম অমদা ঐখোয়গী ওইরম্বা কবো ভেল্লি নিংথি তুরেল লান্না তকথোক্তুনা চহী তরেৎ খুন্তাক লানশিবগী অৱা মৈচাক মীতৈ লৈবাক্তগী লোইশিনখি অমসুং ঐখোয়গী লমখৈবু অমুক হন্না চাওথোকখি। মতৌ অসুম তৌনা মালেম অসি লৈবাক অমনা লৈবাক অমগী মথক্তা লান্দাদুনা লানগা শাগোন্নদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি।

ঙসিসু মালেমগী লান থিংনবা লৈরিবা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা লূপ অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ নেশন্স ওর্গনাইজেশন (য়ু এন ও) করিসু লান থিংবা ঙমদে। অকনবনা অশোনববু য়োৎ-য়োৎতুনা লৈরি। ঐখোয় লোইনা উরে, খঙলে। মালেমগী মফম খুদিং লানগী লান ঙাক্তনি। নীংতম্বগী লান অমসুং লৈবাক অমনা লৈবাক অমবু নমথনবা, লৌশিন্নবা হোৎনবগী লান। অসিগুম্লবা ফীভম অসিদা ঐখোয় লানগী ৱাখল নাথৈরগা লৈবাক মরা চেৎনা, ঈংনা-চিক্লা নুংঙাই-য়াইফনা হিংবা ঙমগদ্রা? ৱাহং অসিগী পাউখুম কনানা করম্না পীগদগে? ঐখোয়গী লৈঙাক্লোইশিংনা শেল্লকপা থৌশিল থৌরাংগী ৱায়েল থৌদাশিংনা পীরকপা অফবা ফল ময়াম অদুগী মহয়দুনা খুন্নাই অসিবু মপাঙ্গল কল্লবা মতমদা মশানা অদুমক পাউখুম ওইজগদবনি। মপাঙ্গল য়াম্না কল্লিবা লৈবাক অমদা কনানসু লান্দানীংলোই। অদুবু ঙসি মীতৈ খুন্নাইদি অদুক্কী মতিক মপাঙ্গল য়াওদ্রে।

ইশানা তুংগী য়াইফনবা থৌশিল থৌরাং অমত্তা তৌবা ঙমদ্রিবা করিগীনো। মসিনি ঐখোয়না য়াম্না হকচিন্না নৈনবা মথৌ তারিবা। ঐখোয় করিদা লানখি, করিদা শোয়খি হায়বসি খঙলগা শেমদোক্তনদি কৈদৌনুংদা অহিংবা খুন্নাই ওইবা ঙম্লোই। মসিদা নেশনল করেক্টরগী প্রিন্সিপল ময়াম অমা ঙাকপা চংই মীয়াম হুপ্না ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংনসু ইন্টলেকচুএল, স্কোলর ময়ামগী ৱা য়াম্না লূম্না তাফম থোকই। থৌওই ৱাওইদনা লৈথোকপা তারবদি ঐখোয়গী য়ূম্ফমদি নীংখাইরকপা তাবনি।

মতাং অসিৱাইদা ঐখোয় মীতৈগী মীৎয়েং য়াম্না তেনবা, শান্না উবা ঙমদবা, অশোয়বা অমত্তং নীংশিংজগে। ঐখোয় মণিপুরনা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌবা মতমদগী ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী মখাদা য়াওরিবা মান্নদবা এক্ট, লো ময়ামসিনা ঐখোয়দা তুংদা করি চৈথেং পীরক্কদগে হায়বসি য়েংশিনবা ৱাৎপদগী খঙবা ৱাৎহৌবা, খুদম ওইনা হায়রবদা মণিপুরগী পাক চাউবগী শরুক চান্মা থোকপগী মরিফুতরানিথোই ওইরিবা চীংগী লমশিং অসি লোইনা চীংদা খুন্দা লৈতারিবা চীংগী মীওইশিং সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চনশিনবা মতমদা হায়রিবা চীংগী লমশিং অসি লোইনা য়াওনা পীখিবগুম তৌবা, রিজর্ভ ফোরেষ্ট, প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্টকী এরিয়া হায়না লৈজরগসু চীংদদি হিল এরিয়াজ কম্মিটি হায়বা অমসু ওটোনোমি বোদি অমা ওইনা লৈবা মরম্না মীতৈনদি চীংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা নীংতম্না খুন্দা লৈতাবদি য়াদ্রে। ●



## মহৈরোয়শিংগী আর্টস এন্দ সাইন্স একজিবিসন পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস):** লমশাংদা লৈবা শেমরোক প্রাইম স্কুলনা শীন্দুনা মহৈরোয়শিংগী ওইবা অহুম্লকশুবা আর্টস এন্দ সাইন্স একজিবিসন ঙসি অয়ুক পুং ১০দা হৌদোকখ্রে।

একজিবিসন অসিদা অঙাং ওইরিবা মহৈরোয়শিংনা সাইন্স অমদি আর্টসকী মরমদা দেমোনষ্ট্রেসন অমদি এক্সপ্লেন তৌদুনা মীয়ামদা উহনখি। একজিবিসন অসিগা মরী লৈননা শেমরোক প্রাইম উরিপোক অমসুং লমশাংগী প্রিন্সিপাল স্বিটি লোইতোংবমনা পাউমীশিংদা হায়, এগজিবিশন অসি অঙাং ওইরিবা মহৈরোয়শিংদা সাইন্স অমদি আর্টসকী মরমদা হেন্না খঙহন্নবা শীনবনি।

মহৈরোয়শিং অদুগী টেলেন্ট, ক্রিএটিবিলিটি অমসুং কনফিদেন্স মপুং ফানা উথোক্লবগী খুদোংচাবা অমা এগজিবিসন অসিনা পীরি। এগজিবিসন অসি চহী খুদিংগী দিসেম্বর ২৪দা পাঙথোক্কনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংনসু এগজিবিসন অসি য়েংবা লাকপা য়াগনি অমসুং লাকপদা খুদোংচাদবশিংগীসু ঐখোয়গী পেজদা লাইভ তৌদুনা উহন্নবা হোৎনগনি।

মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা চাওখৎপা ওইরক্নবা হোৎনবদা অচৌবা কান্নবা অমা পীনবগী পান্দমদা এগজিবিসন অসি শীনবনি হায়খি।

স্কুল অসিগী ওজাশিং, মহৈরোয়শিংগী মমা মপা, অহল লমনশিং পুম্নমক্লসু থৌরম অসিবু মায় পাক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবীরকপগীদমক স্কুল অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। স্কুল অসি ক্লাস অমদা অঙাং ২০দগী হেন্না থমদবগা লোয়ননা ক্লাস ফোর ফাওবদা লৈরিবা স্কুল অসি ক্লাস ফাইব ফাওবা হাপ্লবা থৌরাংসু তৌরি হায়রি।

## অখন্নবা কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস):** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ইশোক গ্রাম পঞ্চায়ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি নম্বোল সী দি ব্লোকনা শীন্দুনা ৱাহেংখুমন মনীং লৈকায় লাই হরাওফমদা 'গুদ গভর্নেন্স ৱীক প্রশাসন গাউন কি ওর' থৌরমগা মরী লৈননা অখন্নবা কেম্পশিং অমসুং ইভেন্টশিং ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইশোক গ্রাম পঞ্চায়ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিগী চ্যেরপার্সন ৱারেপ্পম দেবেন, পঞ্চায়ট সেক্রেটরি থোকচোম বেদারসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এম এস পি দি সী এল, এম এস আর এল, এদুকেশন, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি, সী এ এফ এন্দ পি দি, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল্ড কঞ্জার্বেশন, এগ্রিকলচর, লেবর, ত্রান্সপোর্ট, মেদিকেল, দিরেক্টোরেট ওফ ত্রান্সপোর্ট, সোসল ৱেলফ্যের, এস দি ও, বি দি ও, পি দব্লিয়ু দি অমদি সেরিকলচরনচিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুং চনবা ৱাহেংখুমনগী মীয়াম্না থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎশিং তাখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা পোৎলমশিংসু ফংহনখি। খুঞ্জাশিংগী মরক্তা অনা অয়েক য়াওবশিংসু লাক্তুনা মথৌ তাবা টেষ্ট অমদি চেক অপ লেম্না তৌখিবগা লোয়ননা হীদাক লাংথকশিংসু লেম্না ফংহনখি হায়রি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইশোক গ্রাম পঞ্চায়টকী পঞ্চায়ট সেক্রেটরি থোকচোম বেদারনা হায়, গ্রাম পঞ্চায়ট অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফংদনা লৈরিবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা অমসুং খুঞ্জাশিংগী ৱাকৎশিং তাদুনা মখোয়গী অৱাবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অদু পাঙথোকপনি হায়খি।

## মণিপুরগী রেদ ক্রোস টিম পঞ্জাবকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস):** ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি পঞ্জাব ষ্টেট ব্রাঞ্চনা য়ুম্বু ওইদুনা অমৃটসরদা বি বি কে, দি এ ভি কোলেজদা ঙসিদগী থা অসিগী ২৯ ফাওবা চৎথগদৌরিবা নেশনল য়ুথ একচেঞ্জ প্রোগ্রামদা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী য়ুথ রেদ ক্রোস টিম পঞ্জাবকীদমক ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সী এস) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী মীদিয়া কোওর্দিনেটর প্রেমজিৎ নাওরোইবমগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ইম্ফাল থাদোকখ্রবা য়ুথ রেদ ক্রোসকী টিম অদু আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চগী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বা, ভাইস চ্যেরমেন ডা. লাইশ্রম মংলেম অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি অথোকপম নবচন্দ্রনা লমজিংখি।

টিম অদুদা ওফিসল মরি অমদি য়ুথ রেদ ক্রোস ভলন্টিয়র কম্পিটিটর ১১শু য়াওখি। মখোয়না একাদেমীক অমদি নন একাদেমীক থাঙ তা, নাইতোম অমদি কাংবুগী জগোই, ঈশৈ, পেনা, রিটন ক্বিজ, শৈরেং থীবনচিংবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদগী লাকপা য়ুথ রেদ ক্রোস ভলন্টিয়রশিংগা লৈবাক্কী থাক্তা অথোয় অহেন চাংদম্নগনি।

ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মণিপুরগী টিম অসি নরেন্দ্র নিংঙোম্বগী লমজিং লমতাক মখাদা থা অসিগী ২১দা এম জি এভিন্যুদা লৈবা রেদ ক্রোসকী ওফিসতা ষ্টেটকী থাক্তা মীয়ামদা উৎখ্রে। মমাঙদা মণিপুরনা নাৎকী জগোই অমদি ঈশৈদা চহী খুদিংগী গোল্ড মেদল লৌবতা নত্তনা টিম ৱিন্নর কয়ারকসু ওইরকখ্রে। নরেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখিবদা চৎলিবা চহী অসিদসু মণিপুরনা লম কয়াদা মনা মথুম লৌরক্কনি অমদি টিম ৱিন্নর ওইরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।